# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, AUGUST 29, 2019 **PAGE 7**




*সুট্টিং মশান্নবু লৈবাক শিনবা থুংনা শন্দোকপগা লোয়ননা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংবু লুচিংবীবগীদমক 'খেল প্রোটসাহন এৱার্দ' পীনবগী খনখ্রবা সুট্টর গগন নারং*

*ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ক্লব চেন্নাইন এফ সিদা সিজন অনী শান্নরম্লবা মতুং কেরলা ব্লাষ্টর্সতা অমুক হল্লকখ্রবা মিডফিল্ডর মোহমদ রাফি*



## প্রাইম মিনিষ্টরনা পেরা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন্দা গোল্ড মেডল লৌরকখ্রবা শান্নরোইশিংদা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

হন্দক্তা স্বিটজরলেন্দনা যুম্বু ওইদুনা বাসেলদা পাঙথোকখিবা বি এম দব্লিয়ু ৱার্ল্ড পেরা বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল ৩ য়াওনা পুন্না মেডল লৌরকখ্রবা লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা মহাক্কী ত্বিট্টর একাউন্টতা ফোঙদোরকপদা, লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর ১৩০ হেনবনা পেরা বেদমিন্টন কন্টিনজেন্ট অসিগীদমক চাওথোকচবা ফাওই। মখোয়না লৈবাক অসিগীদমক লৌরিবা থৌদাং অসিনা মতুংদা লাক্কদবা শান্নরোই কয়াদা অচৌবা ইনোৎ অমসু পীরগনি হায়না মখা তাখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মেডল লৌরকখিবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা মানাসি জোসিসু অমনি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মহাক্না ৱার্ল্ড নম্বর ৱান টিমমেট পারুল পরমারবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি, মহাক মমাঙদা লাইবক থিবা গাড়ী এক্সিদেন্ট অমদা মখোঙ–মখূৎ অনীমক তেক্কুনা লৈরুরবনি। অদুবু মহাক্কী হনবা লৈতবা হোৎনজমন অদুনা ঙসিদি মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা মেডল লৌবা ঙম্লে হায়না পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পুদুচেরিগী গভর্ণর কিরন বেদিনসু মহাক্কী ত্বিট্টর একাউন্টতা হায়, লৈবাক মীয়াম পুম্বনা পি ভি সিন্ধুনা গোল্ড ফংলকপগী হরাওবা ফোঙদোক্লিঙৈদা মানাসি জোসিগী গোল্ড মেডলবুদি কাওথোকপগুম তৌরে। মহাক্না লৌরকপা গোল্ড মেডল অসিসু য়াম্না মরু ওই। মখোয় অনীমক্কী তুংগী পূন্সিদা মায় পাকপা ওইরনসু হায়না মখা তাখি।

ৱার্ল্ড পেরা বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা মেডল লৌরকখিবা ইন্দিয়াগী পেরা বেদমিন্টন টিমদা লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা পুন্না লুপা ক্রোর ১.৮২ খূৎশিন্নখি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা গোল্ড মেডল লৌরকপা শান্নরোইশিংদা লুপা লাখ ২০, সিলভর মেডালিষ্টশিংদা লুপা লাখ ১৫ অমদি ব্রোঞ্জ মেডল লৌরকপশিংদা লুপা লাখ ৮ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

মসিদসু নত্তনা দবলসকী ইভেন্টতা গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ লৌরকপাশিংদা মথংশিংনা লুপা লাখ ১৫, ১০.৫ অমদি ৬ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

হিরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা হায়, শান্নরোই খূদিংমক্তা মখোয়–মখোয়গী মশান্নশিংদুদা চপ মান্নবা ফেসিলিটিশিং ফংনবা লৈঙাক্না কন্না হোৎনরি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা পেরা বেদমিন্টন টিম্না উৎলিবা পার্ফোমেন্স অদুদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। মখোয়গী হোৎনজমনশিং অদুগীদমক করিগুম্বা খরা তৌফম থোকই খন্দুনা মনাশিং অসি পীবনি।

## নুপা সুট্টর গগন নারংদা খেল প্রোটসাহন এৱার্দ পীরগনি

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

মমাঙদা ৱার্ল্ড অমদি ওলিম্পিক মেডালিষ্ট ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপা সুট্টর গগন নারংদা খেল প্রোটসাহন এৱার্দ পীরগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী তোঙান–তোঙানবা মফম শিনবা থুংনা অমদি তুংদা হৌগৎলক্লিবা নহা ওইরিবা সুট্টরশিংবু অচুম্বা লম্বী পীদুনা তেল্লবা মতম অসিদা ৱার্ল্ড ষ্টেন্দর্দ য়ৌনা পুখৎলকপা অসিগীদমক ইকাই খূম্নবা ওইনা খেল প্রোটসাহন এৱার্দ অসি পীগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াই, সুট্টর গগন নারং কুমজা ২০০৫ দা লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংদা পীবা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা আর্জুনা এৱার্দ ফংখি। অদুগা কুমজা ২০১১ দনা শান্নরোইশিংদা পীবা খ্বাইদগী চাওবা মনা রজিভ গান্ধী খেল রত্ন এৱার্দ পীদুনা ইকাই খূম্নবা উৎখিবনি।

গগন নারংনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী লিচিং মখাদা লৈবাক অসিগী সুট্টর ২০ না তোঙান–তোঙানবা ইন্টরনেসনেল মেডল ৬০ লৌবা ঙমখ্রে। মখোয়শিং অসিদা মহাক্না লৈবাক অসিগী কাচিন কোয়াদা লৈরিবা মশক নাইবা সুট্টরশিংদা মখোয়গী টেলেন্টশিং অদু খঙহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌনবা হায়খিবা লৈ।

গগন নারংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না সুট্টিং মশান্না অসিদা চঙলকপদা খুদোং চাদবা কয়ামরুম থেংনখি। খুদোংচাদবা কয়া অদু লৈবাক অসিগী তুংদা হৌগৎলক্লিবা সুট্টরশিংদা লৈতনবা লোয়ননা অথুবা মতমদা ৱার্ল্ড ষ্টেন্দর্দ য়ৌনবা কন্না হোৎনরিবনি। হৌজিক মহাক্কী মখাদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ৮ দা সেন্টর ১১ লৈরি।

চহী অসিগী ওইনা শান্নরোইশিংদা পীগদবা এৱার্দশিং অদু হয়েং রাস্ত্রপতি ভৱনদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিননা য়োষ্টোক্লগনি।

## য়ু এস ওপন টেন্নিসতা মমাঙগী চেম্পিয়ন স্লোনে ষ্টেফেন্স লৈহৌরে, রোমানিয়াগী হালেপ অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

য়ু এসকী সিটি ন্যু য়োর্কতা চথরিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতা মমাঙ সিজনগী নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন য়ু এসকী স্লোনে ষ্টেফেন্স অহানবা রাউন্দদা লৈহৌরে, মমাঙগী টুর্নামেন্টশিং দা পার্ফোমেন্স ফজদনা লাকখিবা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ মায় পাক্কুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।





য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী চেম্পিয়ন ১১শুবা সিদেদ য়ু এসকী স্লোনে ষ্টেফেন্স ক্বালিফায়র ওইনা শরুক য়ারকখিবী রুশিয়াগী অন্না কালিন্সকায়াগা মখূত্তা ষ্ট্রেট সেট অনী ৩–৬, ৪–৬ দা মায়থিহৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৪শুবা সিদেদ ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ মমাঙগী টুর্নামেন্টশিংদা ফজদনা লাকখিবা অদু লোয়হন্দুনা অহানবা রাউন্দ শান্নবদা য়ু এসকী য়ু এসকী নিকোল গিব্বসপু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৬–৩, ৩–৬, ৬–২ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী জপানগী নাওমী ওসাকানা টুর্নামেন্ট অসিদসু অহানবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা রুশিয়াগী অন্না ব্লিনকোভাবু ৬–৪, ৬–৭(৫–৭), ৬–২ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৯শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী বেলারসকী অরিনা সবালেনকাসু ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টিমমেট ভিক্তোরিয়া অজারেনকাবু ৩–৬, ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখি।

১৯শুবা সিদেদ দেনমার্ককী কেরোলিনা ৱোজনিয়াকীনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী ৱাং য়াফানবু ১–৬, ৭–৫, ৬–৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

২৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা য়ু এসকী এলিসন রিস্কেগা শান্নবদা ২–৬, ৬–১, ৬–৩ দা মায়থিহৌখি।

য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা নম্বর টু সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেনবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অহুম ৬–৩, ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ১৪শুবা সিদেদ ওইরিবা য়ু এসকী জোন ইসনরনা অহানবা রাউন্দদা স্পেনগী গুইল্লরমো গার্সিয়া লোপেজবু ৬–৩, ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ইটালিগী শান্নরোই থোমাস ফাবিয়ানোনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমবু ৬–৪, ৩–৬, ৬–৩, ৬–২ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

রুশিয়াগী এন্দ্রে রুব্লেভনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ৮শুবা সিদেদ গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৪, ৬–৭(৫–৭), ৭–৬(৯–৭), ৭–৫ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসসু অহানবা রাউন্দদা য়ু এসকী শান্নরোই ষ্টিভ জোন্সনবু ৬–৩, ৭–৬(৭–১), ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

### আই সি সি ৱার্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়া মকোক ওইরি

*দুবাই, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না শীন দুনা অহানবা ওইনা হৌদোকপা ৱার্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিম্না পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইরি।

আই সি সি ৱার্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়াগী টিম্না ৱেষ্ট ইন্দিজ গা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু রন ৩১৮ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৬০ ফংদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখিবনি।

ন্যু জিলেন্দ অমদি শ্রী লঙ্কানা শান্নখিবা টেষ্ট মেটচ অনীদা মেটচ অমমম মায় পাক্কুনা টিম অনীমক পোইন্ট ৬০ / ৬০ ফংলগা পোইন্ট টেবলগী অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্না টেষ্ট মেটচ ৩ শান্নবদা অমা মায় পাকপা, অমা মায়থিবা অদুগা মেটচ অমনা দ্রো চৎতুনা পুন্না পোইন্ট ৩২ ফংলগা অহুমশুবদা লৈরি। ইংলেন্দসু ওষ্ট্রেলিয়াগা পোইন্ট চপ মান্নদুনা মরিশুবদা লৈরি। অদুগা ৱেষ্ট ইন্দিজনা মেটচ অমা শান্নবদা মায়থিবা নংদুনা পোইন্ট অমত্তা ফংবা ঙমদনা টেবলগী মনিংদা লৈরি।

## ৱার্ল্ড জুনিয়র স্প্রিন্ট ক্বিন জমাইকাগী এঠলেট ব্রিয়ানা ৱিলিয়মস দোপ্পিং টেষ্টতা ফেল ওইরে

*কিংষ্টন, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সি)ঃ*





মালেমগী ওইনা চহী ২০ মখাগী লমজেলগী মশান্নদা অনীরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবী ৱার্ল্ড জুনিয়র স্প্রিন্ট ক্বিন হায়রগা খঙনবা জমাইকাগী এঠলেট ব্রিয়ানা ৱিলিয়মস দোপ্পিং টেষ্টতা ফেল ওইদুনা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা য়াওদবা য়ানা লৈরে।

হন্দক জুন ২০ দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোকখিবা সেনিয়র নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ অদু হেক লোইবগা তৌখিবা দোপ্পিং টেষ্ট অদুগী মহাক্কী সেম্পল অদুদা থিংখ্রবা পোৎয়ান দিউরেটিক দিহাইদ্রোক্লোরোথিয়াজাইদ ( ঐচ সি টি জেট) য়াওরম্বা থেংনখিবনি।

পনবা য়াবদি, ব্রিয়ানা ৱিলিয়মস সেনিয়র নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা মথং থাদা দোহাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ানবা খনগৎখিবনি।

জমাইকাদা নুংতিগী ফোঙবা পাউচে দি গ্লিনরগী খূৎথাংদা ব্রিয়ানা ৱিলিয়মসকী মহুৎ শীন্দুনা ইমির ক্রানেনা ফোঙদোরকপদা এঠলেট অসিনা সেনিয়র নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা করিগুম্বা অরানবা অমত্তা তৌখিবা লৈতে। মহাক্না লোক লাইহৌ তৌবগী শীজিন্নখিবা হিদাক অদুবু থিংখ্রবা দ্রগ অসিগী মচাকনি হায়না মহাক্কী টেষ্টকী প্রোটোকোল ফোর্মদা দিক্লার তৌরকখিবনি।

এঠলেট অসিগী মথক্তা শিরিবা মরাল অসি য়ানিংদে। মহাক্কী মথক্তা করিগুম্বা মখল অমত্তগী অথিংবা পীদনবা থেংনখিগনি হায়না ক্রোনেনা মখা তানা হায়খি।

পাউচে অসিনা পনবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না ব্রিয়ানা ৱিলিয়মসনা চাখিবা হিদাক অদু শাবদা ঐচ সি টি জেটকী মচাক অমত্তা য়াওদে। অদুবু হিদাক অদু ৱিলিয়মসগী টিম্না মরনাই ওইনা য়ু এস এ দা থাদুনা চায়েং তৌরবা দিউরেটিকনা কন্টামিনেট তৌরে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙম্লে হায়রি।

পনবা য়াবদি, ফ্লোরিদাদা পোকখিবা মশাগী চহী ১৬ তা ঙাইরিবী ব্রিয়ানা ৱিলিয়মস অসি টেম্পেরেদা পাঙথোকখিবা অন্দর ২০ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপদা মিটর ১০০ অমদি মিটর ২০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেডল অনী ফংদুনা আই এ এ এফকী ফেমেল রাইজিং অমদি লোরিয়স ব্রেকথ্রু এৱার্দকীদমক নোমিনেট তৌখিবনি।

জমাইকা এঠলেটিক্স এদমিনিষ্ট্রেটিভ এসোসিয়েসন (জে এ এ এ) না হন্দক দোহাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা লৈবাক অসিগী এঠলেটশিং মমিং অদু লাক্লিবা সেপ্টেম্বর থাগী ৬ তা লাওথোক্কনি হায়রি।

## মুরুগপ্পা হোক্কী টুর্নামেন্ট টিম ১০ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লগনি

*চেন্নাই, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

তামিল নাদুগী কোনুং চেন্নাইনদা হয়েংদগী হৌদুনা মথং থাগী ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৯৩শুবা ওল ইন্দিয়া এম সি সি মুরুগপ্পা গোল্ড কপ হোক্কী টুর্নামেন্টতা টিম ১০ না শরুক য়ারগনি হায়না মুরুগপ্পা গ্রুপ কম্পেনি পেরি ইন্টরপ্রাইজেস লিমিটেদকী মেনেজিং দাইরেক্টর আরুন মুরুগাপ্পাননা ফোঙদোকখ্রে।

মেয়র রাধাকৃষ্ণন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়ান এয়র ফোর্স লীগ কম নোক আওট বেসিসতা শরুক য়াগনি হায়না ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়ান এয়র ফোর্স টিম অসি টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়াবনি। ইন্দিয়ান আর্মি অমদি ইন্দিয়ান নেভীদি টুর্নামেন্ট অসিদা মমাঙদগী য়াওরক্লি। টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা হোক্কীগী ফোর্স টিম ৩ শরুক য়ারি হায়না মাদ্রাস ক্রিকেট ক্লব ওনোরারী সেক্রেটরী এস ভিজয় কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

টিম ১০ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মুরুগপ্পা গোল্ড কপ হোক্কী টুর্নামেন্ট অসিদা পুল অনী থোক্লা খাইদোক্কুনা শান্নগনি। পুল অমমমদগী মকোক থোংবা টিম অনীনা সেপ্টেম্বর ৭ তা শান্নগদবা সেমি ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলনা সেপ্টেম্বর ৮ দা ফ্লদলাইটতা শান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা লৈরম্বা শেলগী মনা অদু হন্দক্কী ইদিসন অসিদা হেনগৎখ্রে। ৱিন্নর ওইবা টিম অদুনা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাখ ৬ অদুগা রন্নর্স অপ তাবা টিম্না শেলগী মনা ওইনা লুপা লাখ ৩.৫ পীগনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দাইরেক্টর ঐচ এস সোখিনা ইভেন্ট অসি মেটচ খূদিংমক্তা ওফিসিয়েট তৌগনি। মহাকপু মপানগী ওফিসিয়েল অমদি লোকেল ওফিসিয়েলশিংনা এসিষ্ট তৌগনি হায়রি।

### সিনক্বেফিল্ড কপ্তা আনন্দ মাপল্লক দ্রো চৎখ্রে

*সেন্ট লুইস, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

য়ু এসকী সিটি সেন্ট লুইসতা চথরিবা সিনক্বেফিল্ড কপ্তা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন কয়ারক ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর ভিস্বানাথন আনন্দ মাপল্লক দ্রো চৎখ্রে।

ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর ভিস্বানাথন্না সিনক্বেফিল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা ১০শুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী সরগে করজাকিনগা ৩৫শুবা মুভ ফাওবা শান্নরগা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

সিনক্বেফিল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়াগী ভিস্বানাথন আনন্দ রাউন্দ ১০ লোইশিনখিবদা পুন্না পোইন্ট ৫.৫ ফংদুনা অতোপ্পা শান্নরোই ৩ গা লোয়ননা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরি। চাইনাগী দিং লিরেননা পুন্না পোইন্ট ৬ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। অদুগা অজরবাইজানগী শান্নরোই সাখ্রিয়ার মামেদিয়ারোভনা পোইন্ট ৫ দা অহুমশুবদা লৈরি।


**COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION,**
**MANIPUR**

NOTIFICATION

Imphal, the 28th August, 2019

No. 3(II)/1/10-HSC(Vol.-I): 6448 It is, hereby, notified for information to all the Principals/Head of institutions of Colleges having +2 Courses and Higher Secondary Schools under the Council that Online submission of Enrolment for Classes-XI and XII and Registration for Class-XI for the Academic Session, 2019-2020 shall be started w.e.f. the 30th August, 2019 on the website of the Council (https://cohsemmanipur.nic.in).

The last date for submission of online, completed Registration Application form and documents along with Enrolment and Registration Statement for Class XI & Enrolment Statement for Class XII will be as follows:

| Sl. No. | Class | Fees | Last date & time of submission |
|---|---|---|---|
| 1. | XI | Rs 800/-(Application form, Registration fee and Enrolment fee) | 27-09-2019 4 : 00 p.m. |
| 2. | XII | Rs. 850/- (Enrolment fee and Original Certificate fee) | 03-10-2019 4 : 00 p.m. |

The prescribed Registration Application Form may be available from the Council Office or may be downloaded from the website https://cohsem.nic.in.

Further, it is informed that correction of student(s) data due to inadvertent mistake(s) from the institution side may be done on or before the closing/last date of online submission without charging any correction fees. For correction of any mistake beyond the closing/last date, correction fee charges shall be fixed by the Council from time to time.

Sd/-
(Ch. Biren Singh)
Secretary,
Council of Hr. Sec. Edn.,
Manipur.

SL/B/COHSEM/29



OFFICE OF THE
MANIPUR STATE WOMEN'S DEVELOPMENT CORPORATION LTD, IMPHAL
*(A Government of Manipur Undertaking)*

NOTICE

Imphal, the 27th August, 2019

No.3/55/MSWDC/IE/2018: Application on plain paper is hereby invited from the eligible/qualified candidates for engagement as Instructors for imparting 6(six) months training course on Tailoring, Embroidery and Handloom weaving to destitute women.

2. Engagement, if any will be purely temporary for a period of 6 months only on the payment of consolidated honorarium at the rate of Rs. 7000/- (Rupees seven thousand) only per month.

3. Selected persons are liable to be utilised in any District of the State wherein the Corporation intends to impart the said training course.

4. The last date of submission of application to the Office of the MSWDC Ltd., Imphal, along with bio data including experience, if any, will be 3rd September, 2019.

5. The date of interview will be on 4th September, 2019 at 11.30 a.m. in the Office of the Manipur State Women's Development Corporation Ltd, Imphal, Social Welfare Building, Directorate Complex, near 2nd MR Gate, Imphal.

Sd/-
(Ngangom Uttam Singh)
Managing Director
MSWDC Ltd, Imphal

SL/5252/29



Government of Manipur
Directorate of Handlooms & Textiles

MANITEX
Manipur International Textile Expo
November 5-16, 2019, Imphal, Manipur

NOTICE

Imphal, the 19th of August, 2019

No.HL-112/H&T/2018(Pt.I): It is hereby informed to all concerned that the application received by this office vide Notification No. HC-09/H&T/2017 dated 27.05.2019 under Sl. No. 7:0 "Training on weaving and designing for the year 2019-20" the training programme will be implemented under SAMARTH Scheme. Therefore, interested applicants are hereby informed to report/resubmit their willingness to undergo the training under SAMARTH Scheme to the concerned District Handlooms & Textiles offices on or before 30.08.2019.

Further, if the applicant(s) fail to report for the same, it will be presumed that they are not interested the training programme.

Sd/-
Director of Handlooms & Textiles
Manipur

SL/B/(DIPR/MANITEX)/29


ক্রোসৱার্দ ২৬৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| G | I | R | L | | L | O | S | E | S | | R | A | P | S |
| A | S | E | A | | A | M | O | R | E | | E | L | L | E |
| B | L | A | B | | T | E | N | E | T | | S | L | A | W |
| S | E | M | O | L | I | N | A | | | S | T | O | N | E |
| | | | R | A | N | | R | E | S | T | A | T | E | D |
| A | S | H | E | S | | | | R | E | A | R | | | |
| C | O | A | R | S | E | | E | I | N | S | T | E | I | N |
| T | O | T | | | D | A | N | E | S | | | A | D | O |
| S | N | E | E | R | I | N | G | | E | R | A | S | E | S |
| | | | M | I | T | T | | | | O | B | E | S | E |
| S | T | R | E | S | S | E | D | | F | O | R | | | |
| T | H | E | R | E | | | A | G | I | T | A | T | E | D |
| O | R | E | S | | A | S | T | E | R | | H | I | V | E |
| P | E | S | O | | T | I | E | R | S | | A | R | E | A |
| S | E | E | N | | A | S | S | E | T | | M | E | N | D |